24T MMAN

**2014**

# MANIPURI

**( Modern Indian Language )**

**Full Marks : 100**

**Time : Three hours**

***The figures in the margin indicate full marks for the questions.***

১। য়াম্না তেন্না ৱাহৈ অমা নত্রগা খরদংদা খুন্মু ঃ ১×১০=১০

(ক) "মণিপুর মানি ভারতকী সুইজারল্যান্ড" ৱাহৈসি কনানা হায়রম্বনো ?

(খ) মাটিন লুথারনা বাইবলবু করম্বা লোন্দা হন্দোকখি।

(গ) ৱাইথৌ শগোল হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

(ঘ) "মসিগী অহন অসি থেংনরবদি দায় য়াররোই।" — মসিদা পল্লিবা অহনসি কনাবুনো ?

(ঙ) চহী ১০ দগী চহী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নিপা নুপীশিংবু ইংলিসতা করি কৌবগে ?

(চ) "educere" করম্বা লোন্দগী লাকপা ৱাহৈনো?

(ছ) "ইমা মৈতৈ চনু" হায়রিবসি কনাবুনো ?

(জ) "পুন্সিগী হিদোম" হায়রিবসি কনাগী পুন্সিবুনো ?

(ঝ) "য়েন্দায় থন্না লৈহাপ্পুনা কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা।" — কনানা হায়খিবা ৱাহৈনো ?

(ঞ) জার নিংথৌ করম্বা লৈবাক্কী নিংথৌনো ?

২। তেন্না ৱাহৈ পরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) "অপাম্বনা নুংশি ফাংখোঙ পায়ফরোই" — কনানা হায়রিবনো ? করিগী হায়রিবনো ?

(খ) "অসুম্না অনিমক্ শিবদূর্গা গুম্না ঙাম্থোইহনবা য়াই।" — 'অনিমক্' হায়রিবসি কনা কনানো ?

(গ) "পাবো, হৌজিক থোংনবা চেঙ লৈতে।" — 'কনানা কনাদা হায়রিবনো ?

(ঘ) কনানা করিগীদমক্ চীংনু-মানুংদা হাইজিন্দুনা ললোনবগে ?

(ঙ) ঐচ, আই, ভি (HIV) করিনো ? মসিগী মপুং ফাবা ৱাহৈদু ইয়ু।

(চ) "সত্যম, শিবম, সুন্দরম" গী মরমদা করি খঙবগে ?

২। মেইরাংদা মতম অমদা ওইরম্বা চনুরাশিংগী তোল্লবা ফিভম অদু থাদুনা ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

৩। "মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্তে, অদুগা মহাকপু পাদবদি, য়াদে।" —'মহাক' হায়রিবসি কনাবুনো ? 'মহাকপু' পাদবা য়াদে হায়রিবনো করিগীদমকনো ? ১+৩=৪

৪। ঈনখৎলকপা চহী-মতাংগী অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

'ভেলু এডুকেশন' কদায়বু কৌবগে ? ভেলু এডুকেশনগা নীতিজ্ঞান তম্বীবগা মান্নবা ? ২+২=৪

৫। ৱাহং অনীদংগী পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×২=৮

(ক) "লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিল্লু।'

'লাউরক্লিবা মীসি কনানো ? অঙাউবসিনা কনাবুনো ? করিগীদমক্ অঙাউবা হায়রিবনো ? ১+১+২=৪

(খ) "খঙদবরা শকহেনবী
য়াহৌথেঙবী লৈরাংবী।"

কনানা ৱাহৈসি হায়রিবনো ? শকহেনবীগী অর্থ করিনো ? য়াহৌথেঙবী লৈরাংবী হায়বসিনা কনাবু খঙহল্লি। ১+১+২=৪

(গ) ''লীক্লাগী মখোলশিংদুনা
অরিবা ইশৈগী খোঙ্গুল লীরগনি।''

'লীক্লাগী মখোল' শিংদুনা হায়রিবসি করিবুনো ? অরিবা ঈশৈ' হায়রিবসিনা করিবু খঙনবগে ? ২+২=৪

৬। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) মণিপুরগী অহানবা নুপীলাল করম্বা মতমদা অমসুং করি মরমদগী থোকখিবগে ? ৫

(খ) ''অদুমদি ফম্মীননগনি ; মায়দি ওনশিন্নরোই।''

কনা কনানো ? মসিগী মরমদা করি খঙবগে ? ১+৪=৫

(গ) ''মুৎলগে তৌরম্বা মৈ অদু অমুক হেক্ চাকখৎলকই''

করম্বা মৈবুনো চাকখৎলকই হায়রিবসি ? মসিগা মরী লৈনবদু তাক্তুনা ইয়ু। ১+৪=৫

৭। STD ফিনুংগী লৌনবা লায়না নাবগী মরমদা করি খঙবগে ? ৫

*নত্রগা*

ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা মরম নত্রগা অহেনবা মরম খর শন্নপ্পা ইয়ু। ৫

৮। ''শারুসি লৈগী মন্দির
তাউখৎনবা মতমগী ঈথক মথক্তা''

কবিনা 'লৈগী মন্দির' হায়রগা করিবু খঙহন্নীংবগে ? লৈগী মন্দির অসিনা মতমগী 'ঈথক মথক্তা' করম্না তাউখৎকদৌরিবনো ? ১+৪=৫

*নত্রগা*

'কমলদা' হায়বা শৈরেংদা কবিনা কমলগী মরমদা ইরিবদু তেল্লপ্পা তাক্তুনা ইয়ু। ৫

৯। য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ ৬×২=১২

(ক) হে, লৈবাক মচা মাতৃসেবক !

স্বার্থ ত্যাগকী শিদ-হীদাক্

থাবিয়ু মন্দিরগী অকোয়বদা,

পুন্সিবা পাল্লবদি মৈতে চনুগী।

*নত্রগা*

"অদুবু ইমা নহাক্তি ,

হন্দোক্লল্লে হিদেন-তাফম অদুদা হিংসাগী

স্বার্থগী পার্টি পোলিটিক্সকী

শকুন্তলাগী নীংশিং-খুদোপ

নহাকপু কাউরে নচাশিংনা হৌজিক্তি

নহাকপু, ইমা মৈতে লৈমা।"

(খ) "শাপ নওে ; অমাঙবা নওে বরনি"।

*নত্রগা*

"নুপী হৈনি ; লৈনি। হেক্লীংবনা পঙহেক মহেকপা, চিন্নীংবনা পঙচিন মচিনবা, তরা চারে মচা বা মঙা চিল্লে মচিনবা-করি নাচুংঙুবা কনানা!

১০। মখাগী ৱাহংশিংদগী অহুমখক্কী পাউখুমপীয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) সমাস (ৱাপুন) কদায়বু কৌবগে ? মখলশিংদু তাক্লগা খুদম পীদুনা ইয়ু। ১+৪=৫

(খ) উপসর্গ (মাঙ-ৱাতপ) করিনো ? মখলশিংদু তাক্লগা খুদম পীদুনা ইয়ু। ১+৪=৫

(গ) "কারক (থৌবাঙ) কদায়বু কৌই ? মখলশিংদু তাক্লগা খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ১+১+৩=৫

(ঘ) বিভক্তি (পংখৈ) কদায়বু কৌবগে ? বিভক্তি মখল কয়া শুই অমসুং করি করিনো ? ২+১+২=৫

১১। মখাদা পীরিবা রচনা (Essay) অসিদগী অমতংগী মরমদা ইয়ু : ১৫×১=১৫

(ক) আসামগী মহৌশাগী পোৎথোক্— ১+৩+৩+৩+২+৩=১৫

*(i)* ৱাহৌদোক

*(ii)* মখল-মখাগী পোৎথোক্শিং

*(iii)* মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিং

*(iv)* সরকারদা পীরিবা কান্নবশিং

*(v)* পোৎথোক্শিং অসি নিয়ম চুন্না শিজিন্নবা-শিজিন্নদবা

*(vi)* ৱারোইশিন।

(খ) খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ — ১+২+২+১+৩+৩+৩=১৫

*(i)* ৱাহৌদোক

*(ii)* পোকফম, পোকপগী চহী, মতম

*(iii)* মমা-মপাগী মমিং

*(iv)* মহৈ মশিংগী মরমদা

*(v)* মানা ইরম্বা লাইরিকশিং মরমদা

*(vi)* মানা ইরম্বা লাইরিকশিংদা তারিক লোন অমসুং মপানগী ইথিল।

*(vii)* ৱারোইশিন।

(গ) মোইবাইল ফোন (Mobile Phone) — ১+৩+৩+৩+২+৩=১৫

*(i)* ৱাহৌদোক্

*(ii)* মীয়াম্না পাম্নবগী মরম

*(iii)* মসিগী কান্নবা ; ঈ-পাউ ফাউনবগী পাম্বে ;

*(iv)* মসিগী অমাঙবা, খুদেংথিবা ;

*(v)* মরম চান্না শিজিন্নবা-শিজিন্নদবা ;

*(vi)* বিজ্ঞান্না পীবা খুদোল ;

*(vii)* ৱারোইশিন।

———×———